ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)





ত্রোংলাওবীদা পীল্লিবা অঙাং ২বু তমথীনা হাৎলগা মমাবুনা ফীভম লুনা শোকহনববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা কাংমোংগী লৈকায় ৯গী মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনবা


লৌশিং পূক্কে : ঐখোয়না হকচাং ফনবনি... লামায় ২

লামায় ৪ লাইনা মী শেম্বদা য়ৌশিনবা ৱাৎলকপরা?

ঐখোয়না ৱাখল লায়না / লাইওংগী লায়েং ... লামায় ৫

লামায় ৬ সী এমদা মেমোরেন্দম পীশিনবা চৎপদা...

বিহার : পি এম মোদিদা এটেক তৌনবা... লামায় ৮

লামায় ১০ এপ্রিল ১২দা হোক্কি মধ্য প্রদেশ...


অঙাং ২ অমসুং মীচম অহুম হাৎখিববু নম্বোল কৈথেল লুকমাই শিন্থ লূপ অমসুং নম্বোল অপূনবা নুপী লূপনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংবু পুলিসনা লম্বীদা থৎত্তুনা চৎহন্দনবা হোৎনখিবা




Vol. 51, Issue No. 19 | থাংজ, শজিবুগী ২৪নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, April 11, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# চীফ মিনিষ্টরগী সেনাপতি খোঙচৎ মাঙওইননা কুকি মিলিটেন্টনি চিংনবশিংনা এম আরগী পোষ্ট ১ খুদুম চন্নবা হোৎনরকপদা খূৎ থোক্লখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৮গী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা শান্তিপুর মনাক্তা লৈবা কংলাতোংবী হিন্দ হায় স্কুলদা হাংবা সিক্যুরিটি নাকাগী পুলিস পর্সনেলশিংনা খাম্লনবা হায়বদা অলটো কার অমা খাল্লমদনা কাংপোকপীরোমদা য়াঙনা থৌদুনা নাম্থোক্লবা হোৎনরকপদগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা কার অদু লেপ্পনবা টায়র তম্না নোংমৈনা কাপ্পদা মসিবু থৌরকখিবা লেনখোগিন তুবোই কৌবা মীওই অমা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী কাংপোকপীগী মিশন হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবা থৌদোক্কী লমন খুল্লকপা ওইনা ঙসি অয়ূক চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগীদমক ইম্ফাল থাদোক্কদবা পুং খরা ৱাৎলিঙৈ ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা কুকি মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়বা মীওই খরনা অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পর্সনেলশিংগী পোষ্ট অমা খুদুম চন্নবা হোৎনরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা পুঙ্খায় অমরোম চূপ্না খূৎ থোক্লখ্রে।

## তাঙ্খুল অমসুং কুকি ভোলন্টিয়রশিং খূৎ থোক্লরকপদা হাইদোরকপা মরূনা পান্দুনা বি এস এফকী কন্সটেবল অমা শিরে



কুকি অমসুং তাঙ্খুল ভোলন্টিয়রশিং খূৎ থোক্লরকপদা হাইদোরকপা মরূনা পান্দুনা লৈখিদ্রবা বি এস এফকী কন্সটেবল মিথুন মন্দল (ইন্সেট) অমসুং মহাকপু লায়েংনবগীদমক রিমসতা পুরকখিবা

পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না থৌদোক অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাই পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা হিন্দি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগা নক্লনা লৈবা কংলাতোংবী বিজ য়নগরদা থোকখিবনি হায়রি।

কংলাতোংবীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লান হৌরকখিবদগী চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দনা জিরিবামদা চৎলুরবা মতুংদা কাংপোকপী ফাওদুনা সেনাপতি চৎখ্রে

## সেনাপতিগী থৌরমদা ত্রোংলাওবীদা পীল্লিবা অঙাং অনী লৈখিদবগী প্রেয়র পাঙথোক্তুনা মিনট অমা তূমিন্না লেপখ্রে

## চীফ মিনিষ্টরনা কাংপোকপীগী হেংবুংদা লৈবা এম এল এ হাওখোলেট কিপগেনগী য়ূমদা মশাগা উন্নদুনা ৱারী শারকখ্রে

**চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ-সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী**





সেনাপতিদা চীফ মিনিষ্টর খেমচান্দবু তরাম্না ওকপা (ওই) হেংবুংদা এম এল এ হাওকোলেট কিপগেনগা উন্নবা

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস):** মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লানগী খুদোংচাবা লৌদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) য়াওনা কুকি-জো ফূরূপকী সী এস ওশিং অমসুং মীয়াম্না এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা মীতৈ ফূরূপকী মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌহল্লক্তবা চহী ৩ ফাগদবা নুমিৎ ২৩নি খক্তা ঙাইশিল্লকপদদি চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চূড়াচান্দপুরদা মীওই ২ নোংমৈ অমসুং পোপি মরূ কিলোগ্রাম ১,৮০০গা কোন্নরা ফারে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা চূড়াচান্দপুর পি এসকী মখাদা তোর্বুং বাংলাদা হাংবা মোবাইল ভেহিকল চ্যেক পোষ্টতা অচৎ-অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই অনী নোংমৈ অমদি পোপি মরূ কিলোগ্রাম ১,৮০০গা কোন্নরা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## ইন্টরনেটকী অথিংবা শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস):** ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় অমসুং পি গেলমোল সী আর পি এফ পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতুংদা মীয়াম হৌরকপদগী লৈঙাক্লা থা অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# বাসিখোং : লুচিংবশিং ফম থাদোকপীরো, মমা ওইবীশিংনা চৈতুপ পায়রগা লান্থেংনজরগে’

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় অমসুং পি গেলমোল সী আর পি এফ পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোকশিংদা পীল্লিবা অঙাং অনী লৈখিদবা, অঙাং অনীগী মমাবুনা ফীভম লুনা শোকহনবা অমসুং নোংমৈনা পানবা মীওইশিংগী মনুংদা মীচম অহুম লৈখিদবা থৌদোকপু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা বাসিখোং মৈরা নুপী ৱেলফেয়র এসোসিএশন অমসুং মৈরা এসোসিএশন বাসিখোংনা খূৎশম্ন দুনা ঙসি বাসিখোং কৈথেলদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লদুনা লুচিংবশিং ফম থাদোকপীরো, মমা ওইবীশিংনা চৈতুপ পায়রগা লান্থেংনজরগে হায়না ফোঙদোকখ্রে।




ঙসিগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবী বাসিখোং মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি থোকচোম চাইবীনা পাউমীশিংদা হায়, কুকি অহুম ফারে হায়রগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কম্মিশননা সুও মোটু কোগনিজেন্স লৌরে, ভিক্টিমশিংগী মশক খঙবা য়াবা মেটরিএলশিং লৌথোকপীয়ু

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস):** ত্রোংলাওবীগী থৌদোক য়াওনা থা অসিগী ৬তা শীংজমৈ থোং মখাদগী আই দি পি নুপীমচা অমগী হকচাং ফংখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা অকক্লবা সোশল মীদিয়া পায়রিবশিং অমসুং দিজিটেল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংনা ভিক্টিম অহুম্মক্কী গ্রাফিক ইমেজ, ভিদিওগ্রাফিক অমসুং ভিক্টিমশিং অসিবু মশক খঙহনবা য়াবা মেটরিএলশিং সর্ক্যুলেশন তৌরকপগী মায়োক্তা সুও মোটো কোগনিজেন্স লৌখৎলে হায়রি।

মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চ্যেরপর্সন কে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মচে ২ লৈখিদ্রবা মতুংদা হুইদ্রোম হেনরিসু সী আর পি এফকী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবদগী মচিল-মনাও অমত্তা লৈহৌদ্রে

অঙ্কা থোকচোম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৫ রোম তারকপদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৪দা লৈবা ওইনাম মঙালঙম্বগী ইমুংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা কাপশিন্দুনা পোকখায়হল্লগা মমাগী মথাদা তূল্লিবী পীল্লিবা মচিল-মনাও অনী বোম মচেৎনা পান্দুনা লৈখিদবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা ফীভম লুনা শোকপদগী হৌজিকসু হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা থৌদোক অসিদা নক্লনা লৈবা পি গেলমোল খুলদা দিপ্লোই তৌরিবা ৮-সী আর পি এফ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



সী আর পি এফকী নোংমৈ মরূনা পানবদগী লৈখিদ্রবা হুইদ্রোম হেনরি (মাইকেল)না হিংলিঙৈগী শক্তম (ফাইল ফোটো)


ꯔꯥꯖ ꯃꯦꯗꯤꯁꯤꯇꯤ
RAJ MEDICITY
HUMANITARIAN SERVICE WITH DEDICATION
Regd. No. MNHCR/NO/060/NH/2004

IAS-ANZ IAF
An ISO 9001:2015 Certified Multi-speciality Hospital

RM/H-17-Adv/2026/03

POST VACANCY

Date: 10th April, 2026

| Sl. | Name of the Post | Qualification | Experience | Vacancy |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (POC) | 2 |
| 2. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (General Wards) | 8 |
| 3. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (ETU) | 3 |
| 4. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (OT Nurse) | 3 |
| 5. | Junior Nursing Officer | GNM & above | Min. 1 Year (ICU) | 4 |
| 6. | OT Technician (Male) | Dip. or abv. OTT | Min. 1 Year | 2 |
| 7. | Hospital Assistant (Male) | Min. 10th passed | Fresher | 4 |
| 8. | Driver | Min. 10th passed with valid (Light Motor Vehicle-LMV) Driving Licence, Max. age limit is 35yrs | | 3 |

Interested candidate can submit their resume and all the relevant documents to the HR Department

Last date of form submission is 16th April, 2026 upto 4:00 p.m.

Only Shortlisted Candidate will be called for Personal Interview

Website: www.rajmedicity.com North A.O.C, Imphal West-795001, Manipur, India.

HL-B/11273/11


# ‘এপ্রিল ১৩’ অথৌবশিংগী নুমিৎতা চৈরাও চীংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা হায় কোর্টনা অয়াবা পীখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী পাঙথোরকখিবগুম চৎলিবা থা অসিগী ১৩দসু থাংমৈবন্দগী চৈরাও চীংথক্তা লৈবা খুভমদা অদুঙৈ কুমজা ১৯৮২গী এপ্রিল ১৩দা কোদোম্পোকপীদা থোকখিবা থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অথৌবা ৯গী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা অয়াবা পীখ্রে।

কুমসি চহীগীসু অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা অয়াবা পীহনবীয়ু হায়না কোদোম্পোকপীগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা অথৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

# ত্রোংলাওবী, গেলমোলগী থৌদোকশিংগী মনুং-মপান ফাওনা উবা ইনভেষ্টিগেশন চৎথগদবনি : কোংগ্রেস



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোম কাপশিন্দুনা পীল্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং মখোয়বু পোকপী মমাবুনা ফীভম লুনা শোকহনখিবা অমদি থৌদোক অসিবু নক্লা লৈরিবা পি গেলমোল পোষ্টকী সী আর পি এফশিংনা থৌশাদবদগীনি হায়দুনা খোইশাওনরবা মীয়াম্না থোমজিল্লুবদা নোংমৈনা কাপ্পদা শোকখিবশিংগী মনুংদগী মীচম ৩ লৈখিদবা থৌদোকশিংগী মতাংদা লৈঙাক্লা জুদিশল ...মখা লমায় ৩ কলম ১




## ঙসি নুমিৎয়ুংবা ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস):** ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং মখোয়গী অপোকপী মমাবুনা শোকহনখিবা অমদি পি গেলমোলদা লৈবা সী আর পি এফকী পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচীংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থল্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং অদু হয়েংগী ওইনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা কোমথোল্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থোরকপা ওর্দরশিংনা খঙহল্লক্লি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী ওইনদি অয়ূকপুং ৫দগী অয়ূকপুং ৯ ফাওবদং কোমথোকখিবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## মীহাৎ থীনা হাৎতোকপীরম্লবী চনুথোইগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস):** মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লাননা মরম ওইরদুনা মোরেদগী লাঞ্জেল্লত্তুনা অকাম্পাৎতা লৈবা আইদিএল গর্লস কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবী মশাগী চহী ৭ খক্তমক শুখিবী ওইনাম চনুথোই চনুগী অরোইবা মথৌ-মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে।




মহাক্কী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোকখিবগী মতাংদা পাউচে অসিনা রিলিফ কেম্প অসিগী কম্মিটিগী কো-কনভিনর সাপম রোবর্টকা উন্নরূবদা মহাক্না হায়, লৈখিদ্রবী অঙাং অসিগী মতাংদা রিলিফ কম্মিটিনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সীগা ঙরাং নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা উন্নদুনা ৱারী শানখি। দি সীনা লৈখিদ্রবী অঙাং অসিগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইসু ফারবনিনা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## কর্ফিয়ুগী অথিংবনা ঈরাং লোইশিনগদবা নত্তে, শেল মাঙহল্লি, হিংবদা ৱাহল্লি, লৈঙাক্লা মশাগীতা খল্লি, মীয়ামগী খন্দে



নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১০ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা বোম কাপশিন্দুনা পীল্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং সী আর পি এফনা মথৌ তৌদবদগীনি হায়দুনা পি গেলমোল খুলদা লৈবা ফোর্স অসিগী পোষ্টতা পেন্দ্রবা মীয়াম্না থোমজিল্লুবদা নোংমৈ ...মখা লমায় ৬ কলম ২